ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



খুল ঙাকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংগী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকখ্রবা কান্তো খুল্লেন অৱাং লৈকায়দগী লোইতোংবম নাওবদা শীংজমৈ তোৰ্ব্বান ক্ষেত্রি লৈকায়গী নুপী ৫না চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা শেলগী মতেং পীখিবা

টি য়ু সী অমদি মৈরা পায়বীশিংনা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌখ্রে
☛ লামায় ২

লৈঙাক্লা জিরি হোস্পিটাল রিফর হোস্পিটাল ওইনা থম্বীরে : জে দি ও
লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’
☛ লামায় ৯

অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরনা টামিল নাদুবু পাঙ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে
☛ লামায় ১০

ত্রিপুরাগী উনাকোটি দিষ্ট্রিক্তকী মীতৈ লূপ্পা শীন্দুনা কৈলাসহর মোম্বুর লৈকায়দা মহৈরোয় অনী য়াওনা কুকি মিলিটেন্টশিংগী লানদা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা মীতৈ অথৌবশিংদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা (লমায় ৩)



Vol. 47, Issue No. 195 | নিংথৌকাবা, লাংবনগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, October 09, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# কুকি মিলিটেন্টশিংনা মফম-মতম অমদা হেক্তা বোম ১সুং নোংমৈ কাপশিল্লকপা ঙল্লি

## চনুং, শবুংখোক খুনৌ ১সুং ন্যু কৈথেলমানবীদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম ১দি নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে



ন্যু কৈথেলমানবী এরিয়াদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ অমসুং বোম কাপশিল্লকপদগী ষ্টেট ফোর্সনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৌগনি হায়দুনা মীতৈ ফূরুপ্তা অতম্না শাহিং চাবগী তমথীরবা থৌওংশিং চত্থরক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিং লাকশিন্নবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলে অমসুং মসিগী মনুং চন্না পেরিফেরি/ভলনরেবল এরিয়াশিংদা মপান্দগী পুশিল্লকপা সেন্ত্রেল ফোর্সকী পর্সনেলশিং য়াঙ্গোন অমা থম্বদগী তপ্না-তপ্না ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়না তোয়না ফোঙদোক্লবসু কুকি মিলিটেন্টশিংনা মফম অমসুং মতম অমদা হেক্তা য়েলহৌ ফূরুপ মীতৈদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ অমসুং বোম কাপশিনবা ঙল্লি।

মে ৩দগী চত্থরকখিবা মখোয়গী তমথীরবা লান অসি হৌজিক থা ৫ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা কায়হৌবগী খূৎ থারকপা লেপত্রি।

ঙসি অয়ূক খক্তদা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চীংগী শরুক্তা মখোয়না বঙ্করশিং শাদুনা লৈরিবা মফমশিংদগী নোংমৈ কাপশিন্দুনা কায়হৌরকপদগী মীতৈ খুল ঙাক্লিবা ভোলন্টিয়রশিংনসু হন্দুনা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে।

অহানবা থৌদোক্লা ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা শগোলমাং পি এসনা কোনবা চনুং খুলগী চীংথক্তা লৈবা লাইকোট অমদি কপা হায়না খঙনবা কুকি খুলশিংদগী লমহেনবা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ১০ রোম মীতৈগী খুলশিং তম্না কাপথরকখি।

থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অসিগী মনাক্তা লৈবা খুঞ্জাশিংদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না কুকি মিলিটেন্টশিংনা খূৎ থাবা হৌরকপদগী মীতৈ খুল ঙাক্লিবা ভোলন্টিয়রশিংনা চঙশিন্দুনা মায়োক্লগে তৌখি অদুবু মফম অদুবু ঙাক শেল্লক্লিবা গুরখা রেজিমেন্টকী কাঙবুনা নখোয় চঙলক্কনু, ঐখোয়গা থেংনগে হায়দুনা খুল ঙাকপশিংবু অথিংবা পীখি।

নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী গুরখা রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা নোংমৈ কাপ্লকখিবা মফম অদোমদা মায় ওনশিন্দুনা পোজিসন লৌরকপদগী কুকি মিলিটেন্টশিং মখা তানা নোংমৈ কাপ্লকখিদে।

অনীশুবা থৌদোক্লা ঙসি অয়ূক পুং ৪.২৫ রোম তারকপদা য়াইঙংপোকপী পি এসকী মনুং চনবা শবুংখোক খুনৌগী মীতৈ খুলশিং তম্না কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোকনি।

কুকি মিলিটেন্টশিং অদু শবুংখোক খুনৌগী মনীংদা লৈবা ‘কৌনে’ হায়না খঙনবা চীংগী মথক থংবা শরুক্তা শারিবা মখোয়গী বঙ্করশিংদগী নোংমৈ মরূ ১৫/১৬ লোম কাপশিনবা হৌরকখিবনি।

মখোয়না কায়হৌরক্লবসু মীতৈ খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংনা হন্দুনা নোংমৈ কাপখিদে। অদুম ওইনমক শবুংখোক খুনৌগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা সনাশাবীদা দিপ্লোই তৌরক্লিবা বি এস এফ অমসুং গুরখা রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনদি নোংমৈ রাউন্দ খরা কুকি মিলিটেন্টশিংগী বঙ্কর তম্না কাপশিনখি।

সেন্ত্রেল ফোর্সকী মায়কৈদগী হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদগী কুকি মিলিটেন্টশিং মখা তানা নোংমৈ কাপ্লকখিদে।

অহুমশুবা থৌদোক্লা ঙসি অয়ূক পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ন্যু কৈথেলমানবী পি এসকী মনুং চনবা নাতুম চীংজিনগা তাইননা লৈবা সিনাম কুকি খুলদা শারিবা বঙ্করশিংদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মোইদাংপোক খুলগী মনীং তম্না নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপশিল্লকখি।

থৌদোক অসিদদি খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগীসু লাইসেন্স নোংমৈশিং শীজিন্নদুনা খূৎ হনখি। খুল ঙাকপশিংনা খূৎ হল্লুবদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম অমা ফাওবা কাপশিল্লকখি। অদুম ওইনমক ঙসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## কুকি মিলিটেন্টশিংনা হাৎতোকপীখ্রবা লিন্থোইঙম্বী ১সুং হেমঞ্জিৎকী মীংদা অপোকপা মপা অনীনা উ থাখ্রে




লৈখিদ্রবী লুৱাংবী লিন্থোইঙম্বীগী অপোকপা হিজম কুল্লজিৎনা মচানুপীগী মীংদা উ চারা থাবা (ওই) ফিজম হেমঞ্জিৎকী অপোকপা পি ঐচ ইবুংঙোবীনসু মচানুপাগী মীংদা উ চারা থাখিবা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :** জুলাই ৬কী অয়ূক্তা ময়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকখ্রবা মতুং মমাঙ থাগী ২৫দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীনুংশি য়াওদনা হাৎতোকপীখ্রে হায়বগী ফোটোশিং ভাইরেল ওইরকপদগী লৈখিদ্রে হায়না লৌরবা লুৱাংবী লিন্থোইঙম্বী হিজম অমসুং ফিজম হেমঞ্জিৎকী মীংদা মখোয় অনীগী অপোকপা মপা অনীনা মখোয়বু নীংশিংদুনা অদুমক লৈননবা মখোয়গী মীংদা উ চারাশিং থাখ্রে।

উ থাবগী থৌরম অদু ঙসি থাংমৈবন্দ কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা থাংমৈবন্দ পুখ্রি অচৌবগী মমাঙ লম্বীদগী হৌরগা থাংমৈবন্দ পান্থোইবী শঙলেন ফাওবগী লম্বীগী নাক-য়েৎতা চত্থখিবনি।

উ চারাশিং থাবগী থৌরম অসিদা শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর অরিবম শ্যাম, এক্টর কাইকু (সোমরেন্দ্রো), দেবিতা য়াওনা ফিল্মগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি। উ চারাশিং অদু ঐখোয়না উ পাম্বীশিং কল্লসি, ঐখোয়না ঐখোয়গী অঙাংশিং কল্লসি অমসুং লিন্থোইঙম্বী অমসুং হেমঞ্জিৎকী অচুম্বা ৱায়েল পুরক্কদবনি হায়বগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষণনা হায়, উ পাম্বী হায়বসি মীওইবনা হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমনি। ইচাশিংসু তুংগী য়ূম্বীরেলনি, হিংদবা য়াদে। ইচাশিং লৈত্রগদি ঐখোয়গী তুংগী পুন্সি লৈতবগা মান্নগনি হায়দুনা ৱাখল্লোন অসিগী পান্দমদা উ চারাশিং অসি থাবনি। উ পাম্বীশিং থারগা তাইবঙপান অসিবু কন্নবা হোৎনরিবা অসিগুম্না অঙাংশিংবুসু ঙাকপী-শেনবীগদনি। ঐখোয়গী ইচাশিং কনবা ঙমদ্রবদি ঐখোয়গী তুংগী লম্বী লৈরক্লোইদৌরিবনি। মরম অসিনা তঙাইফদনা ঐখোয়না লেজিসলেটরশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লূপশিং, মীচম-মীয়াম য়াওনা খুদিংমক্লা খ্বাইদগী চাউবা থৌদাং লৌগদবনি হায়খি।

হৌজিক খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি সী বি আই হায়বসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতিং লৈবা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সীশিংগী মনুংদা অমনি। গুরগাউনদা অঙাং অমা লৈখিদবদা সী বি আইনা নুংতিগী প্রেস কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা লৌখৎখিবা কেসকী প্রোগ্রেস খঙহনবগা লোয়ননা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাখি। হৌজিক ঐখোয়না খঙনীংলিবদি সী বি আইনা লিন্থোইঙম্বী অমসুং হেমঞ্জিৎ হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং ফারে হায়রগা অশিবা হকচাংশিং পুথোকপা ঙমদ্রে হায়বসিগী মতাংদনি। মখোয় অনীগী হকচাংশিং ঐগী ইচানি খল্লগা তানগদবনি। মীতৈ ঐখোয়গীদি শরূ মচেৎ অমত্তা ওইরবসু ফংলগা লাইনীংগী থৌরম পাঙথোক্লিবনি। লৈখিদ্রে হায়বগী পাউদি ফংলগা মশা ফংদ্রগদি পেন্থোক্লিংঙাই ওইদে। মরম অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি সী বি আই য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্তা হায়নীংবদি অশিবা হকচাং ফংহনবীয়ু নৎত্রগদি মীয়ামগী থম্মোয় ঈংলোই। মীয়ামগী ঈহৌদি অচুম্বা পুরক্লবা হোৎনবনি। মসিদা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাখলদা থোরক্লগা ঈহৌ অসি ফৈনা চৎকে-চৎকে তৌরক্লিবসি তৌহনগুমসি। জে এ সীনসু খূথাং চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি শরূ মচেৎ অমত্তা ওইরবসু ফংহনবীয়ু হায়বগীনি হায়খি।

ফিজম হেমঞ্জিৎকী অপোকপা পি ঐচ ইবুংঙোবীনা লৈখিদ্রবা মচানুপাগী মীংদা উ থাবগা লোয়ননা হায়, ইচা অনীগী মীংদা থাংমৈবন্দগী মীয়াম অমদি এম এল এ য়াওনা তাকদোনা শীনবীদুনা উ পাম্বী থাবা ফংজদবা নুংঙাইবা পোকই। উ পাম্বীশিং অসিনা শারেপ ফারকপা মতমদা ইচা অনীগী ৱারীবু নীংশিংবীদুনা অফবা চাওখৎপা ওইবগা লোয়ননা মখোয় অনীবু নীংশিংবীরগা মীয়াম্না তংদু লৈতানা লৈবা ওইরসনু। মখোয় অনীগী মতাংদা শরুক য়াবীখিবা মণিপুর অমসুং ষ্টেটসিগী ৱাংমদা লৈবীরিবা মীতৈশিংদসু

> অসুক কুইনা ঐখোয়না ৱাকৎলিবসি কনাদনো, সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্স (সূ) চৎনরিবসি কনাগনো, হুরানববু হুরানবনা ফারবদি কনানা ৱায়েল তৌগনি : লিন্থোইঙম্বীগী অপোকপা
>
> ইচা অনীগী মীংদা থাজরিবা উ অনীসিনা শারেপ ফারক্লগা মখোয় অনীবু নীংশিংবীদুনা মীয়ামগী তংদু লৈতাবা ওইরসনু, তশেংনমক্তি ইচা অনীবু হিংনা হল্লকপা পামজখিবনি : হেমঞ্জিৎকী অপোকপা

মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোকখি। ইচাশিংসি হৌজিক্তি লৈবাক মীয়ামগী ওইরে অদুবু তশেংনমক্তি ইচা অনীবু হিংনা হল্লকপা মমা মপা ওইবশিংনা পামজখিবনি হায়খি।

মমাঙ থাগী ২৫দা ভাইরেল ওইরকখিবা ফোটো অদু পূম্নমক্লা খঙনরে। লৈখিদবা চুম্লগদি মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা হোৎনবসি মীতৈ খক্তগী নত্তে, কাঙলূপ ফূরুপ খুদিংমক্কীনি। মরম অসিনা ইচা অনীনা শেৎ চাখিবা ফিরোল য়াওনা ফংবা পামজৈ। অদুমক ফংবা ঙমদ্রগসু শরূ মচেৎ অমত্তা ওইরবসু ফংহনবীদুনা মথৌ মঙম পাঙথোকহনবীয়ু হায়খি।

লুৱাংবী লিন্থোইঙম্বী হিজমগী অপোকপা ঐচ কুল্লজিৎনসু মচানুপীগী মীংদা উ থাবগা লোয়ননা হায়, ইচা অনীগীদমক্তা মখোয়গী মীংদা উ থাবা ফংজবসি য়াম্না নুংঙাইজে। মহাক্কী মায়কৈদগীসু থাননবা হৈনীং, হৈক্রু, তাইরেন্নচিংবা পাম্বীগী চারাশিং পুরকখি। হৈনীংসিনা ময়াম্না নীংশিংবীননবনি অদুগা হৈক্রুসিনা তৌজখিবা পূম্নমক্তা অরানবা য়াওরগসু ঙাকপীনবনি অদুগা তাইরেন পাম্বী অসিনা পূম্নমকপু তাইনবা ঙম্নবা হায়দুনা পুরকপনি হায়খি। মতুংদসু উ চারা থাবীনীংবশিংনা শুকয়ান য়াম্থৎলোইদবা মফমদা থাবীয়ু। অপাম্বা চারাশিংগী লিষ্ট শেমদুনা পীবিরকউ। পুল্লপ থামিন্নদুনা মীয়াম্না ঙাক শেনবীরবদি শোয়দনা হিংগনি। ঙসি থারিবা উ পাম্বীশিং অসিসু ফূক্তৎপীগনু। কনাগুম্বনা পাম্বীবা য়াওরবসু হায়বীরকউ, য়ূমদা লাক্লগা কৎচগে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস):** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তা ইন্টরনেট/মোবাইল দাটা সর্ভিস ফংহন্দবগী মায়োক্তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এস দি এস এ) না মতম কক্তনা চত্থরকখিবা ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং হন্দোকখ্রে।

ৱারেপ অসি ঙরাং এসোসিএসন অসিগী লুচিংবশিংগা নাগা সী এস ওশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা অপূনবা মীফম অমা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তা পাঙথোক্লবা মতুংদা লৌরকখিনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, খোঙজং অসি হন্দোক্লবা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন পি ও) না এস দি এস এদা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস):** হয়েং ওক্টোবর ৯দা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচীংদা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

### ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচীং, চূড়াচান্দপুর ১সুং কাংপোকপীদা প্রোসেসন, রেল্লি, প্রোটেষ্ট ১সুং লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা পব্লিক মীটিং খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচীং, চূড়াচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমদি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা ঙসি থোকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা ইমর্জেন্সিগী থৌরাংশিং লৌখৎপা ওইনা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা মীয়াম নৎত্রগা মীওই খরনা প্রোসেসন, রেল্লি, প্রোটেষ্ট অমসুং লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা পব্লিক মীটিংনচিংবা পাঙথোকপা খুদক্তগী অথিংবা থল্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক হায়রিবা থবকশিং অসি পাঙথোক্কে হায়রবদি মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতগী মাঙজৌননা পর্মিসন লৌগদবনি হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট ৭কী মেজিষ্ট্রেটশিংনা ঙসি থোরকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না অথিংবা অসি ওফিসল দ্যুটি পাঙথোক্লিবা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিং নৎত্রগা পুলিস/পেরামিলিটরি/মিলিটরি পর্সনেলশিংদদি চৎনরোই হায়রি।

প্রোসেসন নৎত্রগা মীটিংনচিংবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদগী অইবা পর্মিসন লৌগদবনি। অদুম ওইনমক লুহোংবা অমসুং পোৎলোইবা য়াওনা চৎনবীগী থৌরমশিংদদি অথিংবা অসিনা কোনশিল্লোই অদুগা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদসু অথিংবা পীরোই হায়রি। অথিংবা অসি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম য়াওনা মীয়ামদা খুদোং চাদবা থোকহন্দনা ঈং-তপ্পা লৈহন্নবগীদমক থল্লকপনি হায়রি।

### লানদা লৈখিদ্রবা লম্লাই এ সীগী খুল ঙাকপশিংগী ইমুংদা লৈঙাক্কী থবক অমমম পীরগনি : এম এল এ ইবোমচা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :** চহী অসিগী মে ৩দগী চিন কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লান্দারকপদগী মরমদম মমা লৈবাকপু কলহৌদবা য়াদে হায়না থেংনখিবা লানফমদা লৈখিদ্রবা লম্লাই এ সীগী খুল ঙাকপশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওই অমমমদা লৈঙাক্কী থবক পীরগনি হায়না লম্লাই এ সীগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা লাউথোকখ্রে।

লম্লাই কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লব পিছ এন্দ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা শিন্দুনা কানহাইমচা নীংশিং শঙলেন নোংঙাদাদা পাঙথোকখিবা লান অসিদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লাংবন হৈথা লৈথা তম্বগী থৌরম অদুদা এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লান অসিনা মরম ওইরগা হীরম খুদিংমক্তা চাওনা শোকহনবতা নত্তনা শেম্মিৎলোনদসু অচৌবা চৈথেং পীরে। অদুবু হৌজিক্তি হান্না থোকখিবা লান অদুদগী য়াম্না হম্থরে। মরম অদুনা শেম্মিৎলোন ফগৎনবা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্নসু শরুক য়াশিনবিদুনা শেনমিৎলোন ফগৎনবা হোৎনমিন্নরসি। লান অসি ইন্দিয়াগী মথক্তা হৌরকপা লান অমনি হায়বদু হৌজিক্তি য়াম্না ময়েক শেংলে। লোয়ননা মখোয়না মীতৈশিংবু লাম্না শন্দোক্লম্বা অদুসু হৌজিক্তি পূম্নমক্লা কনানা অচুম্বনো হায়বদুসু খঙনরে হায়খি।

লান অসিদা লম্লাই এ সীগী ওইনা পুন্না মীওই ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### প্রিপাক্কী ৪৬শুবা মপোক কুমওন লাকপদা নীংতম য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ :** লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা নমথাক তৌরগা নম-হাদুনা লৌশিনখিবা কংলৈপাক মীয়ামগী মাঙখ্রবা নীংতম্বা অমুক হন্না হঞ্জিনহন্দুনা লমদমসিগী মীয়ামদা নীংতম্বা, চাওখৎপা অমসুং মান্নবা খুন্নাই অমা পীনবগীদমক নীংহন্নবা লৈতনা নীংতম য়াওল লান্থেং চত্থরিবা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী ৪৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম লাকপসিদা অহানবমক্তদা ইন্দিয়াগী লোইলমদগী নাম্থোক্তুনা হান্নগী লৈজরম্বা নীংতম্বা কংলৈপাক অদু অমুক হন্না পুরক্লবা নীংতম য়াওল লান্থেংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা প্রিপাক্লা য়াওলগী ইকায় খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা লোইলম লৈঙাক্কী অৱা-চৈথেং মায়োক্লদুনা য়েলহৌঙৈদগী নুংশি চান্নানা হিংমিন্নরক্লিবা ইফুরুপচাশিং, য়াওল্লুপশিংগী লুচিংবশিং অমসুং মরুপশিং, ৱেসিয়া লমদমদা য়াওল ঈহৌ তৌমিন্নরিবা মচিল-মনাও ওইবা য়াওল্লুপশিং অমদি লোইলম লৈঙাক্লা ওৎপী-নৈবীরবা মালেমগী মীয়ামগী মফমদা অমদি অহিং নুংথিল নাইদনা লৈবাক্কী লুরবা ইস্যু কয়াদা অচৌবা থৌগাই

#### মঙফাওনররোইদবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মঙলাননি : প্রিপাক

লৌবীদুনা মীয়ামদা মীৎ-নাকোং শিংহল্লিবা পাউচেগী শিনফমদা লৈবীরিবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী ইচিল ইনাওশিংগী মফমদা প্রিপাক্লা নীংতম য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়না পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী চেয়রমেন, ইন্টরিম কাউন্সিল অহৈবা অঙোমগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তানা হায়, ৱারোইশিন লৈতবা ৱাথোক-লান্থোক অমদি থৌদোক-ৱাথোকশিংতনা থল্লবা কংলৈ মীয়াম ঙসিদি খম থেংনা ৱাবগী পনখৈ লৈত্রে হায়বসি কক্লিংঙাই লৈত্রে। অসিগুম্বা লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নদবা য়াদবা অমদি কূপ্না নৈনমিন্নদবা য়াদবগী তঙাইফদবা ফীভমদগী ৱাফম খরদং ইরৈচাশিংদা প্রিপাক্লা শিন্নজরি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## লুহোংবা থা ফাদ্রিঙৈদা য়ূম মৈ থাদোকপীখ্রে, রিলিফ কেম্পদা হিংনবগীদমক ফনেক শারি : মঞ্জু

### হকথেংনবা পাউদম

*তোব্বুংগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :** লুহোংবা থা ফারকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান তারকপদগী তোৰ্ব্বুং কৈথেল হায়রগা খঙনরিবা মফমসিদা লৈবা ইপুরোইবগী য়ূমদগী লাঞ্জেল্লকখিবদুনা হৌজিক ফাওবা রিলিফ কেম্পদা লেল্লক্লি হায়না মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী করাম ওংবী মঞ্জুনা নীংঙমদনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা হায়, চহীসিগী এপ্রিল ৫দা লুহোংবনি। য়ূম্বাল্লকপা নৌরিবনা খুলশিং ফাওবা লোইনা খঙদ্রি। ইপাম্না ৱাঙুদনি। তোৰ্ব্বুং কৈথেল হায়রগা খঙনরবসু ইপুরোইবগী য়ূম খরা চঙশিল্লগা লৈবনি। মে ৩দা চূড়াচান্দপুরদা রেল্লি চৎলি হায়বদি তাখি। অদুবু থোইদোক্লা খন্নবদি তৌখিদে। অদুবু য়ূমদা লৈরিঙৈ নুংথিল পুং ২.৩০দগীনা ৩ তারমদাই অদুৱাইদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাবা হৌরকখি। টিয়র গ্যাস কাপ্পগী মখোলসু তাখি। নোংমৈ অমসুং টিয়র গ্যাসকী মখোল তাবদগী থোক্তুনা য়েংলুবদা নূঙনা থোমজিল্লকপদগী অমুক চঙলকখি। ইপুরোইবগী য়ূমগী মনীং অমদি অকোয়বদা য়াম্না নক্কনা য়েনখা লোন্নরে হায়বা য়ারবা মওংদা কুকিশিংসু লৈমিন্নরকখিবনি। মরম অসিনা কুকিশিংনা চঙশিল্লকখিবদগী য়ূমগী মমাঙলোম থংবা শরুক্তা চেন্থোরকখি। মফম অদুসু কুকিশিং য়াম্না লৈবা মফমনি। মখোয়না নোংমৈ কাপ্লকপদা নত্তনা নূঙ কয়াসু থাজিল্লকখি। মদুগী মতুংদা য়ূম মৈ থাবা হৌরক্লে হায়বদগী নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা য়াম্না ৱানা খাঙলম্লগা ইপাম তম্না চেনখি।

ইপুরোইবগী য়ূম থাদোক্তুনা চেনদ্রিঙৈগী মমাঙদা কম্যুনিতি হোল, ৱার্কশোপনচিংবা য়াওনা মৈ থারে হায়বগী পাউ তাখি। অদুবু থৱায়দদি হিংহৌরবসু হায়দুনা ইপাম তম্না চেল্লকখিবনি। ইপুরোইবগী য়ূমদু মৈ থারে হায়না মথংগী নুমিৎতা তাখি অদুবু ঐদি লাঞ্জেল্লকখিবনা উবা ফংদ্রে। হিংনবা চেল্লকপদা খোঙদা তোংলিবা শেন্দল ফাওবা তাহৌখি। লুহোংবা কুইদ্রিবনিনা য়ূমগী পোৎ চৈ পূম্নমকসু মৈ থাবদা য়াওখ্রে হায়রকখি। পোৎ চৈ অমত্তা লৌথোকপা নংদবদগী ইশা খক্তমক হিংলগা লোইরে হায়দুনা চেল্লকখিবনি। অদুক শাথীবা অকি-তুজুংবা অদু পোকপদগী থেংনখিদ্রি। হৌজিক রিলিফ কেম্পদা লৈরবসু নুমিৎতুদা ফাওখিবা অকি তুজুংবদি ঙসিসু কোক্ত্রি হায়খি।

মে ৩দা ইপামদা চেল্লক্লগসু ইমুংগী মীশিংদি অদুমক লৈহৌখি। অদুবু লান হেন্না কনশিল্লকপদগী ইমুং মনুংগী মীওই পূম্নমকসু লাঞ্জেন্নখি। হৌজিক্লা থাংমৈবন্দগী পুখ্রি অচৌবা মনাক্তা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরক্লি। ইপামদা লৈরকখিবদু ইমা পাবুং (ইনেম-ইকু) না রিলিফ কেম্পদা পূন্না লৈসি হায়রকপদগী লাকখিবনি। কেম্প অসিদা লৈরগসু ইশানা ফি শাবা হৈরকপনা শেন্থোক লম্বী ওইনবগীদমক ইতৈগী নুপী ইচেসু য়াওনা ফি শাবা হৌরকপনি হায়খি।

রিলিফ কেম্পদা লৈরকখিবা থা অনী শুরক্লে। অহানবা লাকপদা লুপা লিশীং ১ পীরকখি। অদুগা হৌজিক ফি শারিবা অসিসু কেম্প অসিবু হাংলিবা কম্মিটিনা লোইনা পুথোকপীরগা শাবনি। ফিগী অশামল মখোয়না পীবীগনি। হৌজিক শারিবা ফি অসিনা মোইরাং ফিজন কোৎপা ফনেকনি। হৌজিক ফাওবদা ফনেক ১০ শাখ্রে। ইপামদা লৈরিঙৈদগী শারকপনা ফি শাবদা ৱাদে, খূৎলোই হায়খি।

ঐগী ইপুরোইবা করাম কিংসন গাড়ী থৌবনি। মরম অসিনা ঐহাক্লা পামজবদি ঈরাং অসি লোইশিন্দুনা ইশাগী য়ূমদা নে তানা লৈনীংই। তশেংনমক ঐহাক হিংগনি হায়বা থাজরুদ্রবনি। অদুবু হৌজিক্তি য়ূমদা হল্লুরবসু য়ূম লৈত্রে। পোৎ চৈশিংসু অমত্তা লৈত্রে। মরম অসিনা হল্লগা মতৌ করম্না লৈরুগনি। লৈঙাক্লা শিনবীদ্রবদি হল্লগা লৈরুনবা য়ূম লৈত্রে। কুকিশিংনা চত্থরক্লিবা থৌওং অসিদদি মখোয় মণিপুরদা লৈহন্নীংদ্রে। মখোয়বু অমুক হন্না নুংশিবা ঙল্লরোই। মণিপুরদগী কুকিশিং মরূ ফংনা তকথোকখিবা পাম্মী হায়রকখি।



গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL Poll

Q : Tha manga henjillaklaba Lan asi khambinaba leitabadagi maithiragadaba Kuki Militantsingna leptana chatharakli haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Ihan hanbada hingcha yaitamba Kuki Militantsingna chatharakliba Lan ashi lephanbana khawaidagi chumba khongthang oiroidra?

Yes 100% No 0%